

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) ময়াই লোয়শঙগী মীৎয়েং মখাদা এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মীহুৎ কাঙবু অমনা সেকমাইদা লৈবা নিলাপদ্মা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ফীভম য়েংশিনখিবা

ইন্দিজিনস পিপলস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক) মণিপুরগী ৮লকশুবা মপোক নুমীৎ থৌরম লৈঙাক্লা পীরিবা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা ইপাক্কী ওফিসতা চন্না পাঙথোকখিবা

আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা লোক্তাক বট্টালিয়ন অসাম রাইফলস অমদি মণিপুর পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা চুড়াচান্দপুরদা থিবা হুন্না চথবদা মার পিপল কনভেন্সন ঐচ পি সী (দি) এল কে মার ফেক্সনগী মীওই ৩ ফাগৎখিবা

আই জি এ আর (ইষ্ট)/২২ সেক্টর অসাম রাইফলসকী মীৎয়েং মখাদা ৪৪ অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা মেগা মেদিকেল কেম্প অমা তামৈ সব-দিভিজনগী লল্লাবা ভিলেজদা পাঙথোকখিবা

ক্রোর ২.৫৭ ফাইন ওইনা খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্নবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা হৌখিবা কুমজা ২০২০দগী হৌনা হৌজিকফাওবদা মতম মতমগী ওইনা থল্লকখিবা অথিংবা অমদি পীরিবা গাইদলাইনশিং ঙাক্তবশিংদগী লুপা ২,৫৭,৪৩,৩৬০ ফাইন ওইনা খোমগৎখ্রে হায়না পুলিস দিপার্টমেন্টতগী ফংবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ইম্ফাল ৱেষ্টতগী লুপা ৬৩,৩১,৪৫০, ইম্ফাল ইষ্টতগী লুপা ১৬,৭৪,৭১০, থৌবালদগী লুপা ৬৬,৮৬,৬৯০, ককচিংদগী লুপা ২৪,০৬,৮৫০, চান্দেলদগী লুপা ১,৩৬,৮০০, তেংনৌপালদগী লুপা ৮৫,১৩০, বিষ্ণুপুরদগী লুপা ৪৯,২৯,৭৯০, চুড়াচান্দপুরদগী লুপা ২১,৪৮,৯০০, উখ্রুলদগী ১,৪৯,৩০০, কামজোংদগী লুপা ২০,৮৬০, সেনাপতিদগী লুপা ১,৯১,২০০, কাংপোকপীদগী লুপা ১,৭৬,৮৮০, তমেংলোংদগী লুপা ২,৬৮,০০০, নোনেদগী লুপা ৫২,১৫০ অমসুং জিরিবামদগী লুপা ৪,৮৪,৬৫০ লৈঙাক্কী অথিংবা থুগায়বা অমসুং গাইদলাইন ঙাক্তবশিংদগী ফাইন ওইনা খোমগৎখিবনি হায়রি।

মীওই লাখ ১২ রোম ভেক্সিন কাপখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্নবগীদমক লৈঙাক্লা মাস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম কয়া চথরকখিবগা লোয়ননা সেপ্টেম্বর ৭ ফাওবদা পুন্না মীওই লাখ ১২ রোম ভেক্সিন কাপখ্রে হায়রি।

কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী মতাংদা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না চহী অসিগী জন্যুৱারী ১৬তগী সেপ্টেম্বর ৭ ফাওবদা মণিপুরদা পুন্না কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ ১৫,৭৫,৯৫১ কাপখ্রে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজনা ১১,৯৭,১০৬নি। অদুগা অনীশুবা দোজ কাপখিবা মশীংনা ৩,৭৮,৯৩৫ নি হায়রি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থিংনবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা মীয়াম তীনবা মফমদা তিন শিৎপা, মহি-মনাই ওৎথোকপা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা, ফেস মাস্ক উপ্পবনচিংবা কয়াবু ফাগৎপগী থবকসু লেপ্তুনা চথরি। ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা চথখিবা দ্রাইভতা মীওই ২৪ দিটেন তৌখিবগা লোয়ননা লুপা ৩৭৫০ ফাইন ওইনা খোমগৎখিবগা লোয়ননা ৱার্নিং পীরবা মতুংদা থাদোকখ্রে হায়না পুলিস দিপার্টমেন্টকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচএন এস): আই জি এ আর (ইষ্ট)/২২ সেক্টর অসাম রাইফলসকী মীৎয়েং মখাদা ৪৪ অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা মেগা মেদিকেল কেম্প অমা তামৈ সব-দিভিজনগী লল্লাবা ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। অজাদি কা অম্রিট মহোটসবকা মরী লৈননা কেম্প অসি পাঙথোকখিবনি। কেম্প অসিদা বট্টালিয়ন অসিগী মায়কৈদগী ডোক্তর মঙানা লায়েংখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবশিংদা হিদাক লাংথকশিংসু ফংহনখি। কেম্প অসিদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মেদিকেল ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি হায়না পি আই বি দিফেন্স ৱিংগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কম্বাইন্দ ফোর্সনা য়ু জি অহুম ফারে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচএন এস): আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা লোক্তাক বট্টালিয়ন অসাম রাইফলস অমদি মণিপুর পুলিকী অপূনবা টিম অমনা চুড়াচানদপুরদা থিবা হুন্না চথবদা মার পিপল কনভেন্সন ঐচ পি সী (দি) এল কে মার ফেক্সনগী মীওই ৩ ফারে। ফারবা মীওই অহুম অদু চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হারগী অৱাৎপা লৈরিবমখৈ ফংহনখিগনি : কেবা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): পাৎশোই এ সীদা লৈরিবা লৌমীশিংনা হারগী অৱাৎপা লৈরিবমখৈ অহোঙবা মমলদা ফংহনখিগনি হায়না এ সী অসিগী এক্স-এম এল এ সাপম কেবানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি পাৎশোই এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ১৯/৩৪ সঙাইপ্রৌ ময়াই লৈকায়গী য়ুমথোঙ ১০০০ হেনবদা চান-থক্লবা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবগা মরী লৈননা এক্স-এম এল এ সাপম কেবানা ফোঙদোকখিবনি।

তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু সঙাইপ্রৌ ময়াই লৈকায়দা লৈবা সঙাইপ্রৌ নহারোল ক্লব (এস এন সী), সঙাইপ্রৌ মহিলা মন্দল, সঙাইপ্রৌ কোভিদ টাস্ক ফোর্স কম্মিটি অমদি মৈরা পায়বীগী খুত্থাংদা লৈকায় অসিদা অশানবা কা ৱাইদুনা লৈরিবা য়াওনা য়ুমথোঙ ১০০০ হেনবদা য়েন্থোকখিবনি।

এক্স-এম এল এ সাপম কেবানা হায়খি, পাৎশোই এ সীগী লৌমীশিংনা হারগী অৱাৎপা মায়োক্লরিবা অসি কোকহন্নবগীদমক হার বেগ অমদা লুপা ২০০/২০০দা ফংহনবগা লোয়ননা হারশিং অদু লৌমীশিংগী য়ুম-য়ুমগী থোঙ্গালদা ফংহনবনি। মীওইবগী পুন্সিদা চীঞাক হায়বসি য়াম্না মরুওই। অদুনা কোভিদকী অৱা-চৈথেং কয়া মায়োক্লরিবা পাৎশোই এ সীগী মীয়াম্না চহী অমগী চাবা কোন্নবা চীঞাক পুথোকপা ঙম্নবগীদমক লৌমীশিংগী মথৌ তাবা হার অহোঙবা মমলদা ফংহনবনি। মখা তানসু লৌমীশিংদা হারগী অৱাৎপা লৈহল্লোই। এ সী অসিগী মীয়াম্না মায়োক্লরিবা অৱাবশিং অসিদা শরুক য়াজবগা লোয়ননা তাঙ্কক নাইনা অঙন্বা তেংবাঙশিং অসি পীজবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সঙাইপ্রৌ নহারোল ক্লবকী থৌমী অহোংশাংবম ওকেননা ফোঙদোরকখিবদা, এক্স-এম এল এনা ঐগী মীগী নাইদনা এ সী অসিগী য়ুমথোঙ কয়াদা চান-থক্লবা অমদি লৌমীশিংদা হার পীবীবা অসি নুংঙাই। মসিনা কোভিদকী অৱাবা মায়োক্লরবা লৌমীশিংনা পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনবদা মতেং ওইরগনি।

ইপাক্কী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী পেন্দমিকনা মরম ওইরগা এস ও পি ঙাক্লা অচন্বা থৌরম অমা ওইনা ইন্দিজিনস পিপলস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক)কী ৮লকশুবা মপোক কুমওন নুমীৎ ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা ইপাক্কী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে হায়না ইপাক্কী সেক্রেটরি জেনরেল লৈশাংথেম রোমেন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা ইপাক্কী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রো লোয়ননা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল এৱার্দী ঐচ ইবোতোম্বী খুমন, ইপাক্কী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট সাপমচা জাদুমনি অমসুং ইপাক্কী এক্স-প্রসিদেন্ট এম বাবুলিন খুমননা পুন্না থৌরম মপু ওইখিবগা লোয়ননা ইপাক্কী সেক্রেটরি জেনরেলনা থৌরমগী ৱারোল পীদুনা কুমজা ২০১৯-২০২১ ফাওবগী ইপাক্কী এক্টিভিটি রিপোর্ট পাথোকখি। ইপাক্কী এক্স-জেনরেল সেক্রেটরি পেবম প্রেম অমসুং ইপাক্কী এক্স-সেক্রেটরি জেনরেল ৱাহেংবম শান্তনচিংবনা স্পেসল ইনভাইটি ওইনা মখোয়গী ৱারোলশিং পীখি।

ইপাক্কী এক্স-প্রসিদেন্ট এম বাবুলিন খুমননা হায়খি, মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা ইস্যু কয়া কোক্লবা ইপাক্না হোৎননবা ৱাফম থমখি। ইপাক্কী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট সাপমচা জাদুমনিনা চীং-তম অনীমক্তা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংগী রাইটশিং কন্ননবা অকনবা থবক পায়খৎনবা ৱারোল পীখি। নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল এৱার্দী ঐচ ইবোতোম্বী খুমননা মণিপুরদা রেলৱে অমদি ট্রেন এসিয়া হায়ৱে শেল্লকপা অসিদা তুংদা মণিপুরদা মাঙজবা তোংজবা কয়া থেংনগনি। কান্নগদবা হীরমশিং থিদোক্তুনা তুংগী মীরোল কন্নবা থবক পায়খৎহন্নিংবগী ৱাফম থমখি। ইপাক্কী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রোনা এম জি এন আর ঈ জি এগী মতাংদা জোব কার্দ হোল্ডরশিংনা থেংনরিবা, মেম্বর, প্রধাননা খুৎশুমল লৌখৎপা অসি থিংনবা অকনবা থবক লৌখৎনবা অমদি জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী লৈকায় লৈকায় ৱার্দশিংদা অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা কম্মিটি শেমগৎপা লোয়ননা ষ্টেট লেভেলদা জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী এসোসিএসন শেমজনবা ৱারোলসু পীখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, ময়াই লোয়শঙগী মীৎয়েং মখাদা এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী টিম অমনা সেকমাইদা লৈবা নিলাপদ্মা হায়র সেকেন্দরি স্কুল য়েংশিল্লুবদা অৱাৎপনা পীক থল্লন্বা থেংনরকখি হায়না এমসুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি মালেমঙানবা সোইবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ১৯৪৭দা লিংখৎখিবা স্কুল অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ফীভম কা হেন্না মওং মরিল তাদনা লৈরম্বা থেংনরকখি। হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদগী রমসাগী মখাদা শাবা হৌখিবা বিল্ডিং ঙসি ফাওবা শাবা লোইশিন্দনা লৈরমখি। হায়র সেকেন্দরি অসিগী সাইন্স ষ্ট্রিমগী মরুওইরিবা লেবোরেটোরি বিল্ডিং অসি ঙসি ফাওবা শাবা লোইশিন্দবনা মহৈরোয়শিংদা সাইন্স ষ্ট্রিমগী মপুং ফাবা মহৈ তম্বা ফংদ্রে। লোয়ননা শাবা লোইশিন্দনা মতম শাংনা লাকপনা নোংখাং চাইদুনা লৈরে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মতম কয়াগী মমাঙদগী হাঙদুনা লাকখিবা স্কুল অসিগী ক্লাস এলেবেন অমসুং টুয়েল্বকী হিষ্ট্রিগী ওজা অমফাওবা লৈরমদবা থেংনরকখি। ঙসিগী গ্লোবেলাইজেসনগী মতম অসিদা মহৈশঙ অসিদা লৈরল্লিবা ফীভম অসিনা ক্বালিটি লৈবা মহৈরোয়শিং পুথোরক্কনি হায়বগী থাজবা লমদম অসোমগী মীয়াম্না থাজবগী ৱাংমদা লৈহৌবা থেংনরকখি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা স্কুল ফগৎহনসি মিসন হৌদোক্তুনা লমদম অসিগী লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙশিং খরমখৈদা ওইরবসু ফগৎহন্ননবা থৌরাং পায়খৎলবসু ইম্ফাল ময়োলদগী পংলাপ লাপ্তুনা লৈরিবা স্কুল অসিগী স্কুল অমগী লৈফম থোকপা তঙাইফদবা মচাকশিং মতম শাংনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা য়েংশিন্দনা লাকপগী মমি তারমখি।

লৈঙাক্কী এদ্যুকেসনগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মতম শাংনা হাঙদুনা লাক্লবা হিষ্ট্রিগী ওজা অথুবা মতমদা থাবীরক্লবা মহৈরোয় লূপ অসিনা হায়জরি। লোয়ননা লৈঙাক্কী মহৈশঙ অমা ওইবগী তঙাইফদনা লৈফম থোকপা মচাকশিং লৈহনবীনবা অমদি লোইশিন্দনা লৈরিবা বিল্ডিংশিং লোইশিনবীনবা আপীল তৌজরি।

‘সেপ্টেম্বর ১২দা নুপীগী দিমান্দ পুখৎপা থৌরম পাঙথোক্কনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): সেপ্টেম্বর ১২দা নুপীগী দিমান্দ পুখৎপা থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈবাক অসিগী নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০১৪দগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপগা বেতি বচাও বেতি পরাও হায়বা খোল্লাও পুখৎতুনা মশীং য়াম্লবা নুপীশিংবু পংথহনখ্রবসু নুপী-অঙাং অমদি অতোনবা ফুরুপকী নৌরিবী নুপীমচা কয়াগী মথক্তা চথবা পামদবা ক্রাইম মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা নুপী ওইবীশিংবু ঙাকপী শেনবীবা ঙমদ্রে হায়বদু তাক্লি। মসিদসু নত্তনা নুপা অমসুং নুপী অনীমক থোং মান্নবা চাউখৎমিন্নবা ঙম্নবা নেসনল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ন ৱিমেন্সনা চহী লিশাং শিংনা তকশিন্দুনা লাক্লবা লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লীশিংদা অখন্ননা নুপীগী সিট চাদা ৩০ খাক্লবা দিমান্দ তকশিন্দুনা লাকখিবা চহী ২৫ মপুং ফারক্লবফাওবদা এক্ত ওইনা চৎনহন্নবা থৌরাংদ্রি। মালেমগী নুপীগী নুমীৎ মার্চ ৮না লাকপদা লৈঙাক অসিনা নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা ৱাফম তোয়না ফোঙদোক্লবসু আর এস এসকী পাউতাক মখাদা নুপীশিংবু নমথদুনা থম্নবা হোৎনবা লেপত্রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কুমজা ২০১০গী মার্চ ৯দা রাজ্য সভানা পাস তৌখ্রবা ৱিমেন্স রিজার্ভেসন বিল অদু বি জে পিনা ওপোজিসনদা লৈবা মতমদা লোক সভাদা নম্ফুদা পাস তৌহনখিদবনি। হৌজিক্কী লোক সভা অসিদা নুপী এম পি মশীং ৭৮খক্কী মনুংদা নুপী মিনিষ্টর ১১ রোমদনি। অমরোমদা ষ্টেট খরদা নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা পঞ্চায়তি রাজ মীখলদা নুপীগী সিট মশীং চাদা ৫০ খাকপা হৌনরক্লিবসি অনৌবা অওনবা খোঙথাং অমনি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপনা লৌই। লুরিবদি টর্ম অনীরক লৈঙাক শক্তি পায়রক্লবা বি জে পিগী নুপী এম পি মশীং চাদা ১৪ রোমদমক ওইরিবসিনি। নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা এন এফ আই দব্লিয়ুনা হনবা লৈতনা থেংনদুনা লাকখিবগা ঈরোয়ননা ৱিমেন্স রিজার্ভেসন বিল পাস তৌনবা তকশিন্দুনা লাকখিবা চহী ২৫ মপুং ফারকপগী নুমীৎ সেপ্টেম্বর ১২দা ওল মণিপুর নুপী মরুপনা নুপীগী দিমান্দ পুখৎপা থৌরম কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ য়েংলগা লৈঙাক্লা পীবা এস ও পি ঙাক্লা চন্না পাঙথোক্লগনি। লোয়ননা ষ্টেট অসিদা নুপী ওইবীশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী দিমান্দশিংসু পুখৎকনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘পি দব্লিয়ু দি ইমপ্লোয়ীগী তোলোপ পীদবগী ষ্ট্রাইক লোইশিন্নবা শীনবীয়ু’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): পি দব্লিয়ু দি ইমপ্লোয়ীগী তোলোপ পীদবগী ষ্ট্রাইক লৈঙাক্লা লোইশিন্নবা শীনবীয়ু হায়না ওল মণিপুর ত্রাইব য়ুনিয়ন্স কাউন্সীলগী ভাইস প্রসিদেন্ট চনম গ্যানেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মালেমগী তমথীরবা লাইচৎ কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মতম অসিদা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (পি দব্লিয়ু দি) কী ৱার্ক-চার্জ, কেজ্যুএল অমদি মাষ্টর রোলা ইমপ্লোয়ীশিংগী থা ১০গী খুৎশুমল পীথোক্তনা চীফ এঞ্জিনিয়রনা থন্বীবগী মহৈনা শিন্মীশিংনা খুৎশুমল পীথোকপীয়ু হায়না দিমান্দ তৌদুনা ঙসিদগী চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি লৈঙাক অসিনা অথুবা মতমদা লোইশিনবীদুনা থা ১০গী চৈনা ফংলবা ইমপ্লোয়ীশিংবু নুংশিবীয়ু লোয়ননা ইমপ্লোয়ীশিংগী ইমুং-মনুংদা থৌজাল মীৎয়েং য়েংবীদুনা লৈঙাক অমদি চীফ এঞ্জিনিয়র, পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা শেল-থুমগী ফীভমনা খম থেংনা ইমুং খুদিংদা চৈনা ফংলবা ইমপ্লোয়ীশিংগী য়েংবীদুনা অথুবা মতমদা ষ্ট্রাইক অসিবু লোইশিনহন্ননবা, য়ানবা পুবীরক্লবা আপীল তৌজরি। হৌজিক ইমপ্লোয়ীশিং অসি অপীকপা খুৎশুমলদা হিংনবগী লানফমদা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী থবক শুদুনা হিংজরগা থা ১০ হেন্না খুৎশুমল পীথোক্তনা থন্বীবা অসিদি য়াম্না লাইবক থীবা অমনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। মরম অদুনা লৈঙাক লোয়ননা চীফ এঞ্জিনিয়র, পি দব্লিয়ু দিনা অথুবা মতমদা ইমপ্লোয়ীশিংগী খুৎশুমল পীথোকপীদুনা ষ্ট্রাইক অসিবু লোইশিনহন্নবা শিনবীয়ু হায়নসু ওল মণিপুর ত্রাইব য়ুনিয়ন্স কাউন্সীল, মণিপুরগী মায়কৈদগী নোল্লুকচরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

দ্রগ লল্লোনবা নুপী য়াওনা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): ঙসি অয়ুক পুং ১০.২০ রোম তাবা মতমদা নার্কোটিক্স এন্দ এফের্স ওফ বোর্দর পুলিস (নাব) অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা লিলোং থোং অমদি লিলোং খুনৌদা লৈবা এসিয়ন ফার্মাসিদা রেইদ চথবদা ময়াই কাবা দ্রগকা কোন্ননা নুপী অমা য়াওনা মীওই অনী ফাগৎখ্রে।

নাব অমদি থৌবাল পুলিসকী টিম অদুনা অহানবদা লিলোং থোংদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা মীওই অনী দিন্টেন তৌখি। মখোয় অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ককৱা পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লিলোং চজিং কোঞ্জেং লৈকায়দগী নেলসন য়েংখোম (১৯) অপোকপা দেবেন অমদি ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ক্যামগৈ কোনয়াইথাবীদগী এম দি কে ঐচ খোমৈ (৩৫) অপোকপা এম দি সরুদ্দিননি। মখোয়দগী হিরোইন পাউদর ২০০ মিলিগ্রাম ফাগৎখি। মখোয়দা ৱাহং-পাউহং চথবদা মখোয়না ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না লিলোং খুনৌদা লৈবা য়ুম অমদি এসিয়ন ফার্মাসিদা মখা তানা রেইদ চথবদা হিরোইন পাউদর হাপ্পবা প্লাষ্টিক্কী বেসেল ৪২, এস পি টেব্লেট ৭, হিরোইন পাউদর হাপ্পগী সাপোন কেপ ২, প্লাষ্টিক বেসেল ৪৫৭ অমদি শেল ওইনা লুপা লিশিং ১৩ লোয়ননা ফার্মাসিগী মপু ফাগৎখি। ফার্মাসিগী মপু অদুগী মমিংনা লিলোং খুনৌদা লৈবা নোংয়াইময়ুম রফিক আলি (৩১) অপোকপা নাসিব আলি, মহাক্কা পুন্না থবক তৌমিন্নবা লিলোং খুনৌদগী নোংয়াইময়ুম তাসলিমা (৩০), মপুরোইবা নোংয়াইময়ুম ৱাহিদ খাননি। মখোয় অনী নাবনা ফাগৎপগা লোয়ননা মখা তানা থিগৎনবা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

লৈঙাক্লা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবগী অহেনবা থৌদাং লৌগদবনি : কাদা

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : কোলিজন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না লমদম অসিদা শাফোংলকপদগী হৌনা মণিপুরগী চীঙ অমদি তম্পাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপা ‘নিশানা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং’ হায়বা কেম্প্যেনগী মনুংচন্না ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুংচনবা নিংঙোম্বম ময়াই মনিং কম্যুনিটি হোলদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি, কাদা নিংঙোম্বম য়ুনিট অমসুং নিংঙোম্বম ময়াই মনিং ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হীজম প্রিয়োকুমার; কাদা নিংঙোম্বম য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট মাইবম ইন্দ্রানি অমদি মৈরা পায়বিগী সীনিয়র মেম্বর অকোইজম মেমচানচিংবনা থৌরম অদুগী প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদুগী প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবি এম ইন্দ্রানিনা হায়, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা শুফম নোম্ফম লৈতবদগী য়ূ য়োনবা কয়া য়াওরক্লে। য়ূ য়োনবা ইমুং খরগী চাকখুম মৈ মুৎতনবা হোৎনবদা লৈকায়/খুল পুম্বগী মীওইশিং য়ুনা অৱাবা নংহল্লিবা অসি অচুম্বা নত্তে। ঐখোয়না হোৎনরিবা অসি লনাই নুংঙাইনবা নত্তে, লৈকায়/খুলগী য়াইফনবনি। হৌরক্লিবা লমদম অসিগী নহারোল কয়া ময়াই কাবা চিঞ্জাকতা লাইচুরক্লিবা অসি তোকহন্নবা মমা-মপা ওইবশিংগী অচৌবা থৌদাং তঙাইফদে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংনবা অহেনবা থৌদাংশিং লৌহন্নিংই নৎত্রবদি খুন্নাই অসি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ইরোন্নুংদা লোইনা লুপখ্রগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

রেদিএসন মেছিন, কোল্ড ষ্টোরেজ য়াদবদগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থকী মখাদা লৈরিবা রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) হোস্পিটালদা মীয়াম্না নুমীৎ খুদিংগী শীজিন্নরিবা রেদিএসন মেছিন অমদি রিমসকী মোর্গকী কোল্ড ষ্টোরেজ য়াদবদগী মীওই কয়াদা খুদোংচাদবা থোকহল্লে।

রিমসকী রেদিএসনগী মেছিন খঙহৌদনা ঙরাংদগী য়ারক্তবনা মরম ওইদুনা ঙসিসু মফম অসিদা অনাবা কয়া রেদিও থেরাপি তৌবা লাকখি। অদুবু রিমসকী ওথোরিটিগী মখাদা লৈবা মেকানিকেলনা মেছিন অদু য়েংশিল্লবা মতুংদা পার্ট অমা শীন্দ্রগদি ফঙ্কসন তৌবা য়াররোই হায়বদগী অনাবা কয়া লম লাপ্না লাক্লগা উপায় লৈতদুনা ময়ুমদা হন্নখি।

পেসেন্ট কাঙবুগী মীওই খরনা ফোঙদোরকপদা, নোর্থ ইষ্টকী অমত্তা ঙাইরবা রিমস হোস্পিটাল অসিদা পার্ট মচা অমা য়াদবদগী নুমীৎ নীনি চুপ্পা শেন্বা লোইশিন্দনা লৈরম্বা অসিনা লম লাপ্না অমদি গাড়ীগী ভারা তীংনা লাকপা অনাবশিংদা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা থোকহল্লে হায়রি।

অমরোমদা, রিমসকী মোর্গতা লৈবা কোল্ড ষ্টোরেজ অনী য়াদদুনা লৈরকপা থা ২/৩ হেল্লক্লে। অদুবু খরা চাউবা কোল্ড ষ্টোরেজ অদুগী কম্প্রেচর অদু মপান্দগী লাকপা এক্সপার্টশিংনা শীল্লবা মতুংদা মদুগী চান্নবা মৈ শীজিন্নগদবা ষ্টেবলাইজরগী পৱার অদু খরা শোনবনা ঙসি ফাওবা ফঙ্কসন তৌদনা লৈরি। ষ্টেবলাইজর অদু পৱার খরা কনবা অমা শীল্লগদি ফঙ্কসন তৌবা য়াবা কোল্ড ষ্টোরেজ নি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা কোল্ড ষ্টোরেজ অনীমক ফঙ্কসন তৌবা য়াদদুনা অশিবা হকচাং থম্বদা মনম চেল্লকপদগী মফম অসিদা থবক তৌরিবা শিন্মীশিং অমদি রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌবা লাকপা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মরম অদুনা রিমস ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীনবা মীওই কয়ানা ফোঙদোরক্লি।

নোংমগী ওইবা ফার্মর ট্রেনিং কম কোভিদ-১৯ এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) অমদি কৈনৌ থোংথক য়ুথস ৱেলফ্যের এসোসিএসন (কে টি ৱাই দব্লিয়ু এ)না পুন্না শীন্দুনা রিজুবিনেট ফার্ম ইকনমি সেল্ফ রিলাইয়েন্স হায়বা থীমদা নোংমগী ওইবা ফার্মর ট্রেনিং কম কোভিদ-১৯ এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং কৈনৌ থোংথক অৱাং লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে হায়না য়ু সী এমগী আই পি আর সেক্রেটরি লৈশেম্বা লমাবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা কে ভি কে বিষ্ণুপুরগী হেদ অমসুং সিনিয়র সাইন্টিষ্ট ডা. কে ঐচ ব্রজমনি মীতৈনা চীফ গেষ্ট, য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা প্রসিদেন্ট অমসুং সোসল এক্টিভিষ্ট মোংজম নিলকমল অমদি কৈনৌ জি পিগী ৱার্দ মেম্বর হুইদ্রোম বোরাজাও মীতৈনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা বি টি এম, এস বিদ্যালক্ষ্মী, ঈ ও এগ্রি এল রামেশ্বর অমসুং আয়ুশকী দেপ্যুটি দিরেক্টর ডা. এস বিশ্বনাথ শর্ম্মনা রিসোর্স পর্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থৌরম অদুদা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্টনা হায়খিবদা, ঙসিদি ইরমদম অসিগী ইরৈচা খুদিংমক কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা ৱাবগী খম থেংলে। মসিদগী ঙাকথোক্লনবা পাম্বৈ হায়ববু কোভিদ লাইচৎ মনুংদা হিংবা হৈবা তঙাইফদে। য়ু সী এমনা পাঙথোক্লিবা ফার্মর ট্রেনিং অসিগী ৱাহন্থোক্তি চাথোক মরাং কায়না পুথোক্তুনা চীঞাক্তা মীপাল তাঙদবা ইরমদম অমা ওইহনবনি। য়ু সী এমনা হৌদোক্লিবা ফার্মর ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম খুদিংমক্তা পাঙথোক্তুনা চহী অমগী চাননবা চীঞাক পৈশিন্দুনা মতিং লৈবা খুন্নাই অমা শেম্নবনি। মখা তাবদা মখল মথেলগী ফার্মিং তৌদুনা মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা পুথোক্লিবা চীং অমসুং তম্পাক্কী পোথোকশিং অসি এক্সচেঞ্জ তৌনবগী মথক্তা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশি-চান্নবা হেনগৎলক্লি। মণিপুরগী ৱাংমদগী পুশিল্লকপা অচা-অথক লৈরগা চাদ্রগদি মণিপুরগী মনুংদা থোক্লিবা পোথোকশিং লৈরগা চারবদি মণিপুরগী ইকনমি হেনগৎলক্কনি। মণিপুর লৈঙাক্লা মাইনর ইরিগেসনগী থবক থৌরমশিং নীংথিনা পায়খৎপীবা, ফার্মরশিংগী তঙাইফদনা মথৌ তাবা ঈশিং খোং শেন্বীদুনা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈহন্দবা মথৌ তাই। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা লৌমীশিংদা মতম-মতমগী ওইবা মরূ-মরাং অমসুং ফর্টিলাইজর পীদুনা লৌমীশিংদা হকথেংননা য়ৌহনবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা য়ু সী এমনা মফম অদুগী অকোয়বদা লৈবা লৌমীশিংদা য়ুরিয়া বেগ ৬০ অমদি নিংথম মরূ-মরাংশিং য়েন্থোকখি। লোয়ননা মীয়ামদা আয়ুশ-৬৪ অমসুং এ আর এস এ এল বি-৩০ হায়রিবা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

পনবা য়াবদি, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মরকসিদা লৌমীশিংনা হার ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিগী য়েংলগা য়ু সী এমনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা লৌমীশিংদা হারশিং ফংহনবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিবু থেংনবদা মতেং ওইননবা আয়ুশ দিপার্টমেন্টনা পীবা হিদাক লাংথকশিংসু তোঙান তোঙানবা ক্লব, মৈরা পায়বীশিংগী খুত্থাংদা মীয়ামদা য়েন্থোক্তুনা লাক্লি।

সেপ্টেম্বর ২৫গী ইন্দিয়া বন্দ শৌগৎলি : মণিপুর লৌমী লূপ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): সেপ্টেম্বর ২৫গী ইন্দিয়া বন্দ শৌগৎলি হায়না মণিপুর লৌমী লূপকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লৌমী লূপকী সেক্রেটরি ঐচ ইবোবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোর্পোরেট মপু খরদা অহেনবা খুদোংচাবা পীবা অনৌবা ফার্ম বিল অহুম হন্দোকহন্ননবা, লোগী মখাদা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনহন্ননবা লোয়ননা ইলেক্ট্রিসিটি এমেন্দমেন্ট এক্ট মখা তানা চৎনহন্দনবা লৈবাক অসিগী লৌমী ওর্গনাইজেসন ৪০০ হেনবগী অপূনবা প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা সমযুক্তা কিষান মোর্চানা চঙশিল্লকখিবা ঈহৌ, খোঙজং থা ৯ ফারক্লবা ফাওবদা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিনা লৌমী লুচিংবশিংগা মখা তাবা ৱারী শাননবা থৌরাংদ্রিবা মণিপুর লৌমী লূপনা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক অসিবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। মীয়াম অমদি তুংগী মীরোল কয়াগী য়েংদুনা সমযুক্তা কিষান মোর্চাগী লমজিং মখাদা চঙশিল্লিবা ঈহৌ খোঙজংসিদা য়ামদ্রবদা লৌমী ৬০০ হেনবগী পুন্সি মাঙখ্রবা ফাওবদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী চাবা কোন্নবা ৱানা হোৎনরিবা লৌমীশিংদা মীনুংশি মচেৎ অমফাওবা উৎত্রিবসি তশেংনমক লৈঙাক অসি লৌমী-শিন্মী অমসুং নোংমগী শু-নোম্লগা হিংনবা হোৎনরিবশিংগী মায়োক্তনি হায়না মণিপুর লৌমী লূপনা লৌদবা ঙমদে।

কোর্পোরেট মপু খরগী থৌজাল য়াওদনা মীরেপ মীখলদা পৱার পায়বা ঙমদ্রবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মথংগী মীখল পাঙথোক্লবা শেম-শাবা হৌখ্রবা ষ্টেট মঙাগী এসেমব্লী মীখলগী য়েংদুনা পেট্রোল, দিজল অমসুং কুকিং গ্যাসকী মমল লেপ্তুনা হেনগৎহনখিবদগী হান্নদগী কোভিদ-১৯গী অহানবা অমসুং অনীশুবা ৱেভকী খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরবা মীচম মীয়াম অমদি মিদল ক্লাসতা লৈরিবা ইমুং কয়াবু লায়রবগী থাক্তা হন্থহল্লে। মীখলদা পৱার পায়বা ঙম্নবা কুমজা ২০২২গী মনুংদা লৌমীশিংগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহন্ননবা মখৌ পোংনা মীয়ামদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবসু লৌমী অমসুং শিল্লং লৌমীশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্ননবা হোৎনদ্রি। অসিগুম্লবা লৌমী-শিন্মী অমদি মীচম মীয়াম শীংনবা লৈঙাক অসিগী কোর্পোরেট মপু খরগীদমক খনবা থৌশিল য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সমযুক্তা কিষান মোর্চানা সেপ্টেম্বর ২৫দা কৌরিবা ইন্দিয়া বন্দ অসি মপুং ফাহন্ননবা মণিপুর লৌমী লূপনা শেম-শারি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।